# য়ুক্রেন ফোর্সশিংনা সেপরেটিষ্ট ৫ হাৎখ্রে, রুসিয়ানা ড্রিল হৌখ্রে



*স্লাভিয়ানস্ক, এপ্রিল ২৪ঃ* য়ুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা সেপরেটিষ্ট মিলিটরিনা খোঙফম শেমদুনা লৈবা মফমশিংদা ঙসি য়ুক্রেনিয়ান ফোর্সশিং চংশিনখিবগা লোয়ননা মোস্কোবু য়াবা রিবেল মঙা হাৎখ্রে হায়রি।

রুসিয়ানসু ঙমখৈ মনাক্তা অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা আর্মি ড্রিল হৌখিবদগী য়ুক্রেনলোমদা চংলক্কদ্রা হায়না মীপাইবা ফাওনরে। মমাং চয়োলদা জেনেভাদা সাইন তৌনখিবা মালেম থাক্কী য়ানরোল অমদা য়ুক্রেনদা লালহৌবশিংসু য়াওনা আইননা য়াদনা খুৎলায় পায়বশিং অদুগা রুসিয়ান লোন ঙাংবশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা গভর্নমেন্ট বিল্ডিং কয়ামরুম পায়শিন্দুনা লৈরিবা সেপরেটিষ্টশিং খুৎলায় থাদোক্তুনা ময়ুমদা হনগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। অদুবু সেপরেটিষ্টশিংনদি য়ানরোল অসিবু ইকাই খুম্নবগী খুদম অমত্তা উত্তবা মরমনা ঙসি য়ুক্রেনগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিয়না হায়বদা লৈবাক অসিগী ফোর্সশিংনা সেপরেটিষ্টশিংনা হাংবা চেক পোইন্টশিং ফুক্তোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা থোকপা চেরোল অমদা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট মঙাদি হাৎলে হায়বগা লোয়ননা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়কৈদসু মীওই অমা শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

স্লাভিয়ানস্কতা ৱাঙাংলোই নুপী অমনা হায়খিবদদি মফম অদুদা খুৎ থোক্লবদা ফাইটর অনি শিরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট পিটর্সবর্গতনা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়খিবদা কিয়েবকী ওঠোরিটিশিংনা নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা লান্মী শীজিন্নরবদি মদু মশাগী মীয়ামগী মথক্তা অচৌবা মরাল লংশিনবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসি চৈরাক পীবা ওইনা চংশিনবা ওপরেসন ওই। অদুনা মসিনা ৱারেপ লৌরিবা মীশিংগী মথক্তা ফল খরদি ফংহল্লগনি। অদুগা থৌওং অসিনা লৈবাক মশেলগী মরীদসু শোকই হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

পাউগী এজেন্সি অমগী পাউমীশিংদা উবদসু আরমর্দ পার্সোনেল কেরিয়র মঙানা স্লাভিয়ানস্ককী অৱাংলোমদা লৈবা চেক পোইন্ট অমা লৌশিনবা উখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু পুং খরা লৈরগদি লান্মী কয়ামরুম হন্দোরকপগা লোয়ননা কিয়েবনা স্লাভিয়ানস্কতা তকশিনগদৌরিব্রা হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রে। হায়নসু পাউমী অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনিয়ান মিলিটরিনা হাংবা অতোপ্পা চেক পোইন্ট অমদনা লান্মী অমনা হায়খিবদা মখোয়না মফম অদুদা মথৌ তৌরিবদু লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা নাতোগী মেম্বর লৈবাক ওইরিবা পোলেন্দদা য়ু এসকী লান্মী ৬০০ লোমগী কন্টিঞ্জেন্ট অমা থুংলখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুক্রেনগী ঙমখৈদা রুসিয়া লান্মী পৈশিল্লিবা অদুনা নুংনাংহল্লবা য়ুক্রেন লান্মীশিং পুক্লিং লুমহন্নবা ৱাশিংটননা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা য়ু এস লান্মীশিংনসু পোলেন্দদা থুংলখিবনি।

# কাবুল হোস্পিটাল এটেকতা অমেরিকান ৩ শিরে



*কাবুল, এপ্রিল ২৪ঃ* য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা হায়খিবগী মতুংইন্না, আফগানিস্তানগী কোনুং কাবুলদা হোস্পিটাল অমদা অফগান পুলিসমেন অমনা অমেরিকা মচা অহুম কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

অফগানিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনা হায়বদদি শিরিবশিং অদু মেদিকেল ষ্টাফনি হায়না ফোঙদোকই।

অঙাংশিং অমদি মমা ওইবীশিংগীদমক অখন্ননা মথৌ তৌবা হোস্পিটাল অসি য়ু এসকী অপিকপা খৃষ্টান চেরিটি ‘ক্যুর’ হায়বা অমনা চলাইবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মীওই অনিশু শোককি। অদুগা এটেক্কর অদুসু মশানা মশাদা নোংমৈনা কাপশিঞ্জখিবগা লোয়ননা পুলিসনা ফারে হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনসু ফোঙদোরক্লি।

করিগীদমক মহাক্না অমেরিকা মচাশিং অদুদা নোংমৈনা কাপ্লিবনো হায়বগী মরমদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি এপ্রিল মঙাদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী মীখলগী শেম শারিঙৈ মনুংদা অফগানিস্তানদা অশি অনা য়াওবা এটেক কয়ামরুমসু চথরকখিবনি। অমেরিকা মচা অহুম হাৎলগা অতৈ খরবুসু শোকহনখিবা অদুগা মশাদসু কাপশিঞ্জখিবা অফগানিস্তানগী পুলিস অদু অয়ুনুল্লাহনি হায়বগা লোয়ননা মহাক অফগান পব্লিক প্রোটেক্সন ফোর্স (এ পি পি এফ) কী পার্সোনেলনি হায়নসু বি বি সিগী পাউমী অমনা কাবুলদা ফোঙদোকখি।

ফোর্স অসি হোস্পিটাল অসি ঙাক্লবা মথৌ শিন্নবনি। বি বি সিনা হায়বদা, পুলিসমেন অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

চহি তরেৎকী মমাংদা ফিভম চাদনা লৈরম্বা হোস্পিটাল অমবু ক্যুরনা লৌশিনবগা লোয়ননা নুপী অমদি অঙাংশিংগী হকশেল থৌরাং ফগৎহন্নবা অখন্ননা থবক তৌরকখিবনি। হোস্পিটাল অসিদা ডাক্তর ২৭ কা নর্স ৬৪ গা থবক তৌরি হায়নসু চেরিটি অসিনা ফোঙদোরকখ্রে।

হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী হৌনা চথরকপা এটেকশিংগী মনুংদা ঙসিগী অসিসু অচৌবা এটেক অমনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহি অসিগী মার্চ থাদসু য়ু এসতা বেজ তৌবা এগ্রিকলচরেল চেরিটি অমগীদমক থবক তৌবা মীরৈবাক মচাশিংনা নম্না লৈবা গেষ্ট হাউস অমদা টালিবাননা এটেক চথরকখিবনি। থা অসিগী হৌরকপা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী মীখল অদু টালিবান মিলিটেন্টশিংনা থুগাইগনি হায়না কিহনখিববু নাচুংবা লৈতনা অফগান মচা মিল্লিয়ন তরেৎলোমনা শরুক য়াদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি।

অফগানিস্তানদা থাজদনা দেমোক্রেটিক ওইবা মীখল অমদা মীয়াম্না খোইজংনা শরুক য়াখিবা অমদি টালিবানবু শিংনখিবা অসিগীদমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা অফগানিস্তানদা অফবা অওনবা অমা লাক্লে হায়না ফোঙদোক্লখিবনি।

# খাইবর এজেন্সিদা এয়ার ষ্ট্রাইকনা ১৬ হাৎখ্রে

*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৪ঃ* ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাকিস্তানগী ফাইটর জেটশিংনা খাইবর এজেন্সিদা চথখিবা এয়ার ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট ১৬ হাৎলে হায়না মিলিটরিগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এয়ার ষ্ট্রাইক অদুদা টেরোরিষ্টশিংগী লোৎফমশিং থুগাইখি হায়বগা লোয়ননা শিরিবা টেরোরিষ্টশিং অদু ইস্লামাবাদকী সবজি মন্দিদা থোকখিবা বোম পোকখাইহনবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবনা অয়াম্বনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়না চথখিবা এটেকশিং অদুদা টেরোরিষ্টশিং অসিনা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ওফিসিয়েল কয়ামরুম হাৎখিবনি। পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীটিং অমগী মতুংদা টেহরিক ই টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি) গা শান্তিগী ৱারী শান্নবগী তুংগী পোরমশিং অমুক রিভিয়ু তৌরগনি হায়খিবগী হেক মতুংদা এয়ার ষ্ট্রাইকশিং অসি চথখিবনি হায়রি।

অমরোমদা টি টি পিনদি সবজি মন্দিদা থোকখিবা বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মখোয় চেন্নদে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুগা এপ্রিল ১০ দা লোইখিবা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ানবা অদুসু মখা শাংদোকপা লুপ অসিনা য়াখিদ্রবনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদদি অমুক হন্না গভর্নমেন্টনা টালিবান সুরাগা পাউ ফাওননবা হোৎনবা অদুগা মায়কৈ অনিমক্কী খুদোংচাদবশিং লোইশিন্ননবা হোৎননবগীদমক নৌনা কন্টেক্ট তৌবা হায়না ৱারেপ লৌখিবনি।

# খা সুদানগী লান্মী মকোক লৌথোকখ্রে

*যুবা, এপ্রিল ২৪ঃ* খা সুদানগী প্রসিদেন্ট সলভা কিয়রনা হন্দক মরক লালহৌবশিংনা মায় পাকপা খরা হেনগৎলকপদগী খা সুদান লান্মীগী মকোকপু মথৌদগী লৌথোকখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদগী অকনবা ইরাং লৈরকখিবা লৈবাক অসিদা মমাং চয়োলদা লালহৌবশিংনা বেন্টিয়ু হায়বা থাও থোকপা মফম অসি পায়শিনখিবনি।

চৈরক অসিদা য়ু এননদি গভর্নমেন্টপু মরাল শীরদুনা টাউন অদুদা মীচম চা কয়া হাৎখিবা থৌদোক অমদা শেরান্নবা পাউ শন্দোকই হায়না গভর্নমেন্টপু মরাল শীরিবনি। থবক্তগী লৌথোকখ্রবা জেমস হোঠ মাই হায়বা আর্মি চিফ ওফ ষ্টাফ অসি মতম খরগী মমাংদগী গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা চৈথেং মায়োক্লদুনা লাকখিবনি।

নুৱর কাংলুপকী ওইবা মরমনা প্রসিদেন্ট সলভা কিয়র অমদি মহাক্কী নক্লবা খোঙলোইশিংনা লান্মী মকোক অসিবু তশেংনা থাজদবা মতৌ অমদা মথৌ তৌরকখিবনি।

অমরোমদনা মশাগী কাংলুপ ওইবা নুৱর শিংনদি মহাকপু থাজবা হাৎপনি হায়না ইস্থোক্লিবনি। অদুবু ওইরিবা ফিভম অসিদদি জেনরেল হোঠকী ওইনদি থবক্তগী লৌথোকপদা ৱাই শংবা অমা ফাওরিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা কাংলুপ নাইনদুনা মুক্লবগী ফিভম হেন্না হেন্না ওনশিল্লক্লিবা ইরাং অসিদা প্রসিদেন্ট কিয়রনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা রিবেল লিদর রিয়েক্ট মচারগী কাংলুপকী ওফিসিয়েল অমবু অসুক চাওবা থৌদাংদগী লৌথোকপা অসি ইরাং অসিদা য়াম্না মরুওইবা থৌওং অমদি ওইরি। জেনরেল অসিগী মহুৎতা সলভা কিয়রনা দিঙ্কা কাংলুপকী মীওই অমা ওইনা শীঞ্জিনখ্রে হায়রি।

# সমুদ্র মপালদা ফংখিবা পোৎলমশিং মালেসিয়া প্লেনগী ওইরমদ্রে

*পর্থ, এপ্রিল ২৪ঃ* ওষ্ট্রেলিয়াগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপালদা ফংখিবা ধাতুগী পোৎলমশিং অদু চয়োল ৭ লোমগী মমাংদা মাঙখ্রবা মালেসিয়াগী জেট অদুগী ওইরমদ্রে হায়না ওঠোরিটিশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চৈরক অসিদা রোবোটিক মিনি সব মেরিন অমনা ইন্দিয়ান ওসিনগী লৈখাদা মাঙখ্রবা প্লেন অদুগী লিখুন ওইবা য়াবা পোৎলমশিং থিবগী শরুকসু মফম অদুগী চাদা ৯০ রোম হেন্না স্কেন তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

তোৰ্ব্বানদা ফংলিবা পোৎশিং অদুগী ময়েক শেংবা পিকচরশিংদগী পোৎলমশিং অসি মাঙখ্রবা প্লেন অদুগী লিখুন ওইররোই হায়বা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে হায়না থিবগী থবক অসিবু লুচিংলিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না অকুপ্পা ময়েক শেংবা ফোটোশিং অদু চেকশিন্না য়েংশিল্লে। অদুবু মদু থিনরিবা এম ঐচ ৩৭০ অসিগী লিখুন ওইগদবা নত্তে হায়বা চপ চানা খঙলে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ান ট্রান্সপোর্ট সেফটি ব্যুরো (এ টি এস বি) গী ৱাঙাংলোই মার্টিন দোলাননা ফোঙদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী জোইন্ট এজেন্সি কো ওর্দিনেসন সেন্টরনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা ওগষ্টাদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্পা মফম অমদগী পোৎলম খরা পুলিসনা লৌখৎলুরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মালেসিয়াগী ওফিসিয়েলশিংদসু পোৎশকশিং অদুগী ফোটোশিং ফংহনখি। থেংনরক্লিবা পোৎলমশিং অদু নোংজু নুংশাগী ফিভম ফত্তবনা মালং অমদি ঈশিং মনুংদা থিবগী থবক মতেক খরা লেপখিবগী মতুং ইকান কান্নদনা থেংনরকখিবনি হায়রি।

# ইরুপ্পা মীওই অমনা কপ্পা কপ্পা অশিবা অঙাং পুখৎলকখি



*সিওল, এপ্রিল ২৪ঃ* হায়স্কুল মহৈরোই কয়ামরুম থোকপা য়াদনা লুপমিন্নখ্রবা খা কোরিয়াগী ফেরি অদুদগী ইরুপ্পা মীওই অমনা লাইফ জেকেটশিং কিশি কিশিন্নরগা শিরল্লবা অঙাং অনিগী অশিবা হকচাংশিং কপ্পা কন্না পুখৎলকখি।

অমুক্তদা অশিবা অনি ইমায় মথক্তা পুখৎপা ঙমদবদগী ইরুপ্পা মীওই অদুনা কিশি অদু ককথৎলগা শিরবা নুপামচা অমগা নুপীমচা অমগী হকচাংশিং কংফালদা তোঙান তোঙান পুখৎলকখি।

ইরুপ্পা মীওই অদুনা হায়বদা, অঙাং অনি অদু শিবা মতমদা তোঙান তোঙান শিদনবগীদমক লাইফ জেকেটশিং কিশি কিশিল্লম্বা ওইগনি হায়বসি খল্লুবদগী ঈশিং মনুংদা ঐহাক থিংবা ঙমদনা কপখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা ফেরি অদু লুপ্লমদাইদা খ্বাইদগী অহানবা দিষ্ট্রেস কোল অমা পীরম্বা অঙাং অদু শোইদনা ওইগনি হায়না থাজবা অঙাং অদুগী হকচাংসু পুখৎলক্লে হায়না কোষ্টগার্দনা ফোঙদোকখ্রে।

অঙাং অদুগী মমা মপাশিংনা অশিবা মশা অমদি শেৎখিবা ফিজোল য়েংলগা মখোয়গী অঙাংনি হায়না তাকখি। অদুবু অঙাং অদু মশক ওইনা য়েংবদদি খঙবা ঙমখিদ্রে হায়নসু কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি অয়াম্বনা মহৈরোই ঙাক্তা ওইবা মীওই ৩০০ হৌখিবা এপ্রিল ১৬ তা থোকখিবা ফেরি লুপ্পগী থৌদোক অদুদা শিরল্লগনি হায়না খন্নরি।

হৌজিক ফাওবদা কনফার্ম তৌরবা অশিবা মশিংদি ১৭১ শুরে। টন লিশিং তরেৎ লুম্বা সিওল হায়বা ফেরি অদু রুটিন ওইবা খোঙচৎ অমদা সিওল মনাক্কী ইঞ্চিওন্দগী জেজু ইথৎ তম্না কোয়বা চৎখিবদা খুদোংথিবা অসি থোকখিবনি।

থৌদোক অদু ফেরি অদুগী মেগানিকেল ওইবা অশোইবদগী লুপখিবরা নত্রগা মীওইবগী অশোইব্রা হায়বদুগী মতাংদা অশেংবা খঙনবা কন্না ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না য়োনহাফ নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোজিক্যুটরশিংনা হায়বদসু থৌদোক অসিদগী থিজিনবগী থবক হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা ওইনা কোরিয়ান সিপ্পিং এসোসিয়েসন অমদি কোরিয়া রেজিষ্টার ওফ সিপ্পিং হায়বা সিপ্পিং ৱাটচদোগ অনিদসু রেইদ চথখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

কোরিয়াগী সিপ্পিং ইন্দষ্ট্রিদা খুজ্রু মুজ্রু তৌবা অমদি শেঞ্জা থুমজা চংবা লৈরব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা হেন্না পাকথোক চাওথোকপা ইনভেষ্টিগেসন অসি চথবনি হায়না ইঞ্চিওন দিষ্ট্রিক্ট প্রোজিক্যুসন সার্ভিসকী হেদ দিপ্যুটি চিফ সোং ইন–তাকনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

চোংহায়জিন মেরিন কম্পেনি লিমিটেদ হায়বা কম্পেনি অদুগী মপু ওইবা ইমুংগী য়ুম্বুরেল য়ু ব্যুং–উনগী ময়ুমদসু প্রোজিক্যুটরশিংনা রেইদ চথখি হায়রি।

কম্পেনি অসিনা চলাইবা অতোপ্পা ফেরি অমদসু সেফটি চেক তৌবা ওইনা ফেরি অদু প্রোজিক্যুটরশিংনা ফাজিল্লে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইমুং অসিগী মহুৎ শিন্দুনা লোয়র অমনা হায়দা লাইবক থিরবা থৌদোক অসিগী আইনগী ওইবা অমদি সোসিয়েল ওইবা রেস্পোন্সিব্লিটি পুম্নমক কম্পেনি অসিনা লৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ‘য়ু এস জপান ত্রিটিনা য়েৎনরিবা ইথৎ কোনশিল্লি’



*টোকিও, এপ্রিল ২৪ঃ* চাইনাগা লমগী মতাংদা জপানগা য়েৎনবদা মরুওইনা চেন্নরিবা ইথৎ অমবু য়ু এস অমদি জপানগী মরক্তা চৎনরিবা য়ানরোল অমনা কোনশিল্লি হায়রদুনা য়েৎনবা অসিদা য়ু এসনা জপানবু শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা অমুক্তা হন্না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়াগী লৈবাক মরি চৎপগী খোঙচৎতা জপানদা থুংলকখিবা ওবামানা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

লমগী মতাংদা জপান অমদি চাইনানা য়েৎনরিবা অসি হেনগৎলকপগী মায়োক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা চেকশিন ৱারোল ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাথোক অসি ইংনা লোইশিনবা উপা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু জপানগা লৈনবা সিক্যুরিটি ত্রিটি অদুনা ইথৎ অসিবু কোনশিনবা মরমনা মসিগী মতাংদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা জপানদা লান্দারক্লবদি য়ু এসনা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়বা ৱাফম মহাক্না অমুক্কসু চেৎনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনিগী লুচিংবা অনি অসিনা অচৌবা ত্রেদ দিল অমগী মরমদসু কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা অৱাং কোরিয়াগী মতাংদসু কুপ্না ৱারী শান্নখি। য়ু এস প্রসিদেন্ট অসি খা কোরিয়া, মালেসিয়া অমদি ফিল্লিপিন্সতা চৎত্রিঙৈদা জপানদা ঙরাং অহিং থুংলকখিবনি। ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা য়েৎনরিবা ইথৎ অদুবু জপানিজশিংনা থোনবা মমিং অদু পল্লদুনা মহাক্না শেংনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা চাইনানা ইথৎ অদু নম্ফু শীজিন্নদুনা লৌশিন্নবা হোৎনরবদি য়ু এস লান্মীশিংনা ঙাক্কনি হায়নসু চেৎনা ফোঙদোকখি।

অদুবু হিরম অসিদা টোকিও অমদি বৈজিংনা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা ইংনা য়ানবা অমা পুরকপনদি হেন্না পাম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনিমক্তা ৱারী শান্ননবা থৌরাং লৌখৎলু হায়নসু মহাক্না তকশিনখি। ললোন ইতিক্কী মতাংদদি অমেরিকানা শাবা পোৎলমশিংগী অফবা মার্কেট খরা ইচং থৌনা জপাননা হাংবা মতম ওইরে হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা অবেদা তকশিনখি।

হায়রিবা ৱাফম অসি মহাক্কী পঙ্গেং ওইবা ৱাখল্লোননি হায়রদুনা মসিদগী তাবা থৌরাংশিংদি মহাক্না য়াবা তৌরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অসিদা হয়েং ওবামানা সিওলদা থুংগনি। অদুগা এপ্রিল ২৬ তা মিলিটরি বেজ য়ৌরম্লবা তুংদা কুৱালালম্পুরদা পাইগনি। এপিয়ল ২৭ তনা মালেসিয়া প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব রাজাকক্কা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা পাউগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। মথং নুমিৎ এপ্রিল ২৮ দনা ফিল্লিপিন্সতা খোঙচৎকী অরোইবা পঙ্গুং ওইনা থুংলগা কোন্না য়ু এসতা অমুক হনগনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক তোকিওনা লৈঙাক্লিবা ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা সেনকাকু হায়বা ইথৎ অসি চাইনানদি দিআউয়ু হায়না থোনবগা লোয়ননা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। অদুগা জপানদা চথোক চৎশিন তৌবা খুদিংমক চাইনাগী ঈশিং অমদি নোংথক্কী শরুক ফাওদুনা চৎলি হায়নসু চাইনানা ক্লেম তৌরিবনি।

# লুপিটা নিওং’ও মালেমদা খ্বাইদগী ফজবী মিংথোল পীরে



*লোস এঞ্জেলিস, এপ্রিল ২৪ঃ* লেমজনিঙাই ওইরবা ওস্কার মনা ফংখ্রবা এক্ট্রেষ্ট লুপিটা নিওং’ও হায়বী কেনিয়া মচা অসি পিপলস মেগাজিননা চহি অসিগী ওইনা মালেমদা খ্বাইদগী ফজবা মীনি হায়না মিংথোল পীখ্রে।

মসিগী মতাংদা মশাগী চহি ৩১ শুরবী এক্ট্রেষ্ট অসিনা হায়খিবদা, য়ু এসকী চয়োলগী মেগাজিন অমগী মখুমদা মহাক্কী শক্তম য়াওরক্কনি। অদুগা মহাকপু ফজবিনি হায়না খনগৎলক্কনি হায়বসি কৈদৌঙৈদা মঙদফাওবা মঙলুদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি মমাং থাদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেষ্টকী কেটেগোরিদা ওস্কার মনা ফংখ্রবী অসি ‘টুয়েল্ভ এয়র্স এ স্লেব’ হায়বা ফিল্ম অদুদা কুমখিবা মতুংদগী মালেমদা সেগাক কায়না মিং চৎলকখিবনি। ফ্রান্সকী কোস্মেটিক জাইন অমা ওইরিবা লেনকোমেদসু মহাক্কী মায়থোং অসি অচৌবা মফম অমা ফংবা ঙমখ্রে।

পিপল চেফোংগী মখুমদা য়াওবা ফংবা অসিমক থোইদোক্লা পুক্লিং মথুম মরাং হৌহনবা অচৌবা কমপ্লিমেন্ট অমা ফংবনি হায়নসু নিওং’ও না ফোঙদোকখ্রে।

চেফোঙ অদুদা অতোপ্পা নুপীমচা কয়ানা ঐহাকপু উবিগনি হায়বগীদমক নুংঙাইবা ফাওই হায়বা মহাক্কী ৱারোল অমসু চেফোং অদুদা ফোঙদোকখি।

ষ্টিব মকক্কিননা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অদুদা পেটসি হায়বী অমগী রোল কুম্বদা কুমসি চহিগী একাদেমি এৱার্দ পীবদা বেষ্ট সপ্পোর্টি এক্ট্রেষ্ট কেটেগোরিগী মনা নিওং’ওনা ফংবা ঙমখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।


**TECHNICAL COACHING CENTRE**

Sagolband Meino Leirak (Near Atom Bapu Research centre)

Crash Coaching for the recruitment of MPSC Section Officer Grade –I (IT) and Grade – II (IT)

Classes already started on 04/04/2014

** Only few seats left

# 9863307164, 8974708390, 9863195441

SIC-20-20 May